মুম্বাই টেররএটেককী একুজ টহাৱুর রানা ইন্দিয়াদা পুরকখ্রে

ন্যু দেল্লি, এপ্রিল ১০ (এজেন্সী): কুমজা ২০০৮গী মুম্বাই টেরর এটেকতা চেন্নবা পাকিস্তানদগী হৌরকপা হৌজিক্কা কানাদাগী সিটিজন ওইরিবা টহাৱুর রানা (৬৪) য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতগী এক্স্ট্রাদিসন তৌরক্লবা মতুং ঙসি নুংথিল পুং ২.৫০ চৎপদা দেল্লিগী পলাম এয়রপোর্টতা পুরকখ্রে।

টহাৱুর রানা অসি স্পেসল ফ্লাইট অমদা ইন্দিয়ান ইন্টিলিজেন্স অমদি ইনভেষ্টিগেটিব ওফিসলশিংগী অপুনবা টিম অমনা এসকোর্ট তৌদুনা পুরকখিবনি। মুম্বাই টেররএটেককী একুজ রানাবু ইন্দিয়াদা পুরক্লগনি তাবদা ইরাং থোরকপা য়াবগী ফীভম লৈবনা ন্যু দেল্লিদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা বুলেট প্রুভ গাড়ি অমদি খুৎলায় পায়বা কম্মান্ডো দাশিং দিপ্লোই তৌদুনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখি।

টহাৱুর রানা অসি সিক্যুরিটিগী ওইবা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা নেশনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী (এন আই এ)গী হেদ ক্বার্টরদা পুরগা মহাক্কীদমক শেন্সা হায়-সিক্যুরিটি সেল অমদা ৱাহং পাউহং তৌগদৌরি হায়রি। মসিগী মতুংদা টহাৱুর রানাবু কুমজা ২০০৮গী ২৬/১১দা মুম্বাইদা চথখিবা টেরর এটেক অদুদা চেন্নবগীদমক ট্রাইএল তৌগনি হায়রি।

টেরর এটেককী একুজ অসি পাকিস্তানদগী হৌরকখিবা মীওই ওইরবসু মহাক ইন্দিয়াদা এক্স্ট্রাদিসন তৌরে তাবদা পাকিস্তানগী ফোরেন ওফিসনা মহাক চহী অনী হেন্না পাকিস্তানি দোক্যুমেন্ট অমত্তা রিন্যু তৌদ্রবা মীশক্কি অমসুং কানাদাগী সিটিজন ওইখ্রবনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা পাকিস্তানগা করিগুম্বা অমত্তদা মরী লৈনদ্রে হায়না ফোঙদোরকখি। অদুবু ইন্দিয়াগী ইন্টিলিজেন্স এজেন্সীশিংনদি পাকিস্তানগী ফোরেন ওফিসকী ৱারোল অসি মশা কঞ্জনবা ফোঙদোকখিবা ৱাফম্নি হায়না থাজবগা লোয়ননা একুজ টহাৱুর রানানা মুম্বাই এটেকতা পাকিস্তানগী মিলিটরি ইন্টিলিজেন্সকী খুৎ য়াওই হায়বসি ময়েক শেংনা খঙবনা লাপথোক্লবা হোৎনরকপা ওইগনি থাজরি।

তাহাৱুর রানাবু ইন্দিয়াদা পুরকপা ঙমখিবসি কুমজা ১৯৯৭গী ইন্দিয়া-য়ু এস এক্স্ট্রাদিসন ট্রিটিগী মখাদা ইন্দিয়াগী ওথোরিটিশিংনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটতা মতম শাংনা তকশিন্দুনা লাকপগী মায় পাকপা অমনি হায়রি।

টহাৱুর রানা অসি পটিয়ালা হাউসতা স্পেসল কোর্ট অমগী মমাঙদা পুথোক্কদৌরি। মসিদা এন আই এনা রানাবু মখোয়গী কষ্টদিদা থম্নবা অপিল তৌগনি থাজনরি। অদুবু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি রানাবু মুম্বাইগী অর্থর জেল রোদ নত্রগা দেল্লিগী টিহার জেলদা থমগদ্রা হায়বসি ওথোরিটিশিংনা চপ চানা লেপ্পা ঙমদ্রি। ঙরাং অহিং অথেংবদা সেন্টরনা মুম্বাই টেরর এটেককা মরী লৈনবা এন আই এগী কেস অসিগী ট্রাইএল অমদি অতোপ্পা থবক থৌরমশিং য়েংশিন্নবা এদভোকেট নরেন্দর মানবু স্পেসল পব্লিক প্রোজিক্যুটর ওইনা খনখ্রবনি।

টহাৱুর রানানা মুম্বাই টেররএটেকতা চেন্নরম্বসি মহাক্কা নক্কনা তোৎন-তিন্নবা পাকিস্তানি-অমেরিকান ওপরেটিব ওইবা দেবিদ কোলমেন হায়রিবা লাস্কর-ই-টাইবা টেররগ্রুপকী রিকননাইসেন্স মিসনশিং পাঙথোকখিবা মীশক অসিগা লোয়ননা থবক থৌরম কয়া পায়খৎমীন্নরম্বদগীনি হায়রি।

ইন্দিয়ান মহৈরোয় লাক্ষ ১ হেনবগী মরাইবক তন্বা ঙমদ্রি

ৱাশিংটন, এপ্রিল ১০ (এজেন্সী): য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা তোঙান তোঙানবা লমদা মহৈ তম্লিবা ইন্দিয়ান মহৈরোয়শিং অসি য়ু এস না ওপসনেল প্রেক্টিকেল ট্রেনিং (ও পি টি) প্রোগ্রাম মুখৎনবা থৌরাং লৌখৎলকপগা লোয়ননা মখোয়গী লাইবক তন্বা ঙমদ্রে হায়রি।

প্রোগ্রাম অসিনা ইন্টরনেশনল মহৈরোয়শিংদা এফ-১ ভিসা পীদুনা মতম খরগী ওইবা থবক্কা মরী লৈনবা ফিল্ডদা মহৈ তম্বগী অয়াবা পীরম্বনি। দোনাল্ড ট্রম্পকী এদমিনিষ্ট্রেশননা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসি ইন্টরনেশনল মহৈরোয়শিংবু কুপ্না মোনিটর তৌদুনা অপিকপা ক্রাইমশিংগী ওইনসু য়ু এস তগী তান্থোকখিনবা লৌখৎলকখিবা খোঙথাংগী শরুক অমনি হায়রি।

‘দিজিটেল পার্সনল দাটা প্রোটেক্সন এক্টকী সেক্সন ৪৪ (৩)না আর টি আইগী মায়োক্তা লৈরে’

ন্যু দেল্লি, এপ্রিল ১০ (এজেন্সী): ওপোজিসন ওইরিবা আই এন দি আই এ ব্লোকনা ঙসি দিজিটেল পার্সনল দাটা প্রোটেক্সন এক্ট (দি পি দি পি)গী সেক্সন ৪৪ (৩)না রাইট টু ইনফোর্মেসন (আর টি আই) এক্টকী মায়োক্তা লৈরে হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা সেক্সন অসি লৌথোকখিনবা দিমান্দ তৌখ্রে।

ন্যু দেল্লিদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা কোংগ্রেস লুচিংবা গৌরব গোগোইনা ফোঙদোকখিবদা আই এন দি আই এ ব্লোককী পার্টিশিংগী এম পি ১২০ হেনবনা দি পি দি পি দি সেক্সন ৪৪ (৩) অসি লৌথোকখিনবা জোইন্ট মেমোরেন্দম অমা খুৎয়েক পীরে। জোইন্ট মেমোরেন্দম অসি ইনফোর্মেসন এন্দ টেক্নোলোজি মিনিষ্টর অশ্বিনি ভাইষ্ণোদা পীশিল্লগনি হায়খি।

পাউগী মীফম অদুদা দি এম কেগী এম এম অব্দুলা, সিব সেনা (য়ু বি টি)গী প্রিয়াঙ্কা চতুরবেদি, সী পি আই (এম)গী জোন বৃটাস, সমাজৱাদি পার্টিগী জবেদ অলি খান অমদি আর জে দিগী নবল কিশ্বর য়াওখি।

গৌরব গোগোয়না ফোঙদোকখিবদা আর টি আই এক্ট ২০০৫গী সেক্সন ৮ (১) (জে)গী মহুৎ শীন্নবা হোৎনরিবা দি দি দি পিগী সেক্সন ৪৪(সী) অসি সিভিল রাইটস এক্টিভিষ্টশিংনসু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লাকখিবনি। আর টি আই এক্টকী সেক্সন ৮ (১) (জে) অসিনা করিগুম্বা পার্সনল ইনফোর্মেসন অদু ফোঙদোকপদা মীওই অদুগী প্রাইভেসিদা খুদোংচাদবা ওইরবদি নত্রগা ইনফোর্মেসন অদু পব্লিক এক্টিভিটি নত্রগা ইন্টরেষ্টকা মরী লৈনদবা ওইরবদি মীওই অদুনা পার্সনল ইনফোর্মেসন অদু ফোঙদোক্তবা য়াবগী অয়াবা পী। অদুবু হায়রিবা রেষ্ট্রিক্সন অসি সেন্ট্রল পব্লিক ইনফোর্মেসন ওফিসর, ষ্টেট পব্লিক ইনফোর্মেসন ওফিসর নত্রগা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা ইনফোর্মেসন অদু পব্লিক ইন্টরেষ্টতা ফোঙদোকপগী তঙায়ফদবা লৈরে হায়রবদি অদুম্মক ফোঙদোকপা য়ারি। দি পি দি পিগী সেক্সন ৪৪ (৩)না আর টি আই এক্টকী সেক্সন ৮(১)(জে)বু শেমদোক শাদোক্তুনা লৈঙাক্কী বোদিশিংদা পার্সনেল ইনফোর্মেসনশিং অসি পব্লিক ইন্টরেষ্ট নত্রগা অতোপ্পা এক্সেপসন অমত্তা থমদনা ৱিথহোল্ড তৌবা য়াবগী অয়াবা পীখিবনি।

য়ুহা হাখিবগী অৱাবা কোক্ত্রিঙৈ চৈরক্তা ম্যান্মারগী মিলিটরি হুন্তানা মীখলগীদমক শেম শাবা হৌখ্রে

নাইপিতাও, এপ্রিল ১০ (এজেন্সী): মেগনিচ্যুদ ৭.৭ কনবা ম্যান্মারগী য়ুহা হাবা অদুনা হৌজিক ফাওবদা মীওই ৩,৬০০ হেন্না শিহনখিবগা লোয়ননা মীওই লাখ কয়ানা অৱাবা মায়োক্নরিঙৈ চৈরকসিদা ম্যান্মারগী মিলিটরি হুন্তানা অৱাবা তারবা মীয়ামগী য়াইফননবা থবক থৌরমশিং লৌখৎলম্বা অদু থৈদোক্লগা চহী অসিগী দিসেম্বরদা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরিবা ম্যান্মারগী জেনরেল ইলেক্সন অসিগীদমক শেম শাবদা মায় ওনশিনখ্রে হায়রি।

হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা হুন্তাগী য়ুনিয়ন ইলেক্সন কম্মিসন (য়ু ঈ সী)না ম্যান্মারগী জেনরেল ইলেক্সন অসি চহী অসিগী দিসেম্বর থাদা নৎত্রগা থেংলবদা মথং চহীগী জনুৱারীদা শোয়দনা পাঙথোক্লবা তৌরগনি হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা মীখল অসিগীদমং পোলিটিকেল পার্টি শেমগৎনীংবশিংনা মথং থাগী ৯ ফাওবগী মনুংদা এপ্লিকেসন থাজিল্লক্কদবনি হায়না ফোঙদোকখি।

মিলিটরি হুন্তানা এপ্লিকেসন থাজিল্লক্লবা মতম লাউথোকখিবসি পোলিটিকেল পার্টিশিংগী রেজিষ্ট্রেসন তৌনবা অমদি মীখলগীদমক কেম্পেইন তৌনবা মতম শাংনা লৈনবগীদমক্কি হায়রি। ইলেক্সন বোদি অসিনা কম্মিস্নর থান সোবু বোদি অসিগী ভাইস চের ওইনা হাপখিবগা লোয়ননা কম্মিসনগী থবক থৌরমশিংদা অচৌবা থৌদাং লৌহনগদৌরি হায়রি।

কুমজা ২০২১দা মিলিটরি হুন্তানা কু তৌবা মতম অদুদা ম্যান্মারদা পোলিটিকেল পার্টি ৯০ লৈখি অদুবু মসিগী মনুংদগী ৪০দি হুন্তানা শেমদোক শাদোক্লবা পোলিটিকেল পার্টিস রেজিষ্ট্রেসন লোগী মখাদা রেজিষ্ট্রার তৌ হায়বা য়াদবদগী কায়খ্রবনি হায়রি।

হৌজিক হৌজিক য়ু ঈ সীদা পোলিটিকেল পার্টি ৫৩ রেজিষ্ট্রার তৌদুনা লৈরি। হায়রিবশিং অসিদা হুন্তাগী প্রোক্সি ওইরিবা য়ুনিয়ন সোলিদরিটি এন্দ দিভেলপমেন্ট পার্টি, পীপলস পার্টি, পীপলস পাইওনিয়র পার্টি অমদি অরাকান ফ্রন্ট পার্টি য়াওরি।

জেনরেল ইলেক্সন অসি চহী অসিগী দিসেম্বরদা পাঙথোক্লবগীদমক চহী অসিগী জুলাইদা ষ্টেট ওফ ইমর্জেন্সি এক্সপয়র ওইরবা মতুংদা মিলিটরিনা দোমিনেট তৌদুনা লৈবা নেশনল দিফেন্স এন্দ সিক্যুরিটি কাউন্সিল (এন দি এস সী)দা হুন্তানা পৱার পায়বগী মথৌ তারি। চৈরকসিদা হুন্তাগী চীফ মিন ওংনা জেনরেল ইলেক্সন অসিদা ফ্রেন্দ তৌহন্দনবগীদমক ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিন শীজিন্নবা হৌরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

‘ꯗꯤꯖꯤꯇꯦꯜ ꯄꯥꯔꯁꯅꯦꯜ ꯗꯥꯇꯥ ꯄ꯭ꯔꯣꯇꯦꯛꯁꯟ ꯑꯦꯛꯇꯀꯤ ꯁꯦꯛꯁꯟ ꯴꯴(꯳)ꯅꯥ ꯑꯥꯔ ꯇꯤ ꯑꯥꯏꯒꯤ ꯃꯥꯌꯣꯛꯇ ꯂꯩꯔꯦ’

ꯅ꯭ꯌꯨ ꯗꯦꯜꯍꯤ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯱꯰ (ꯑꯦꯖꯦꯟꯁꯤ): [illegible]

‘বেঙ্গল লৈঙাক্না চংহল্লকপনি’

কোলকটা, এপ্রিল ১০ (এজেন্সী): লৈবাক অসিদা রোহিংয়া অমদি বাংলাদেশি কয়ানা লোনা য়াদবা মওংদা চংশিল্লক্লগা ভোটর কার্দনচিংবা পায়দুনা লৈরম্লিবসি ৱেষ্ট বেঙ্গলগী লৈঙাক্না বাংলাদেশকা তাইনবা ঙমখৈ পরিংদা শম্বল খানবগীদমক লম পীয়ু হায়বদা য়াদবদগী থোকপনি হায়না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা মমতা বেনর্জিগী লৈঙাক্তা মরাল শিখ্রে।

ট্রম্পকী তারিফ নুমিৎ ৯০ নিগী ওইনা লেপহন্দুনা থমখ্রে

ৱাশিংটন, এপ্রিল ১০ (এজেন্সী): মালেমগী লৈবাক কয়ানা দোনাল্ড ট্রম্পকী তারিফ ৱারগী মায়োক্তা অকনবা প্রেসর পীরকখিবগা লোয়ননা ঙসি প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা মহাক্কী তোঙান তেঙানবা তারিফ থমজিনবগী এক্সনশিং অদু চৎনবা হৌখ্রবসু নুমিৎ ৯০ নিগী ওইনা লেপহন্দুনা থম্নবা ওর্দর থোকখ্রে হায়রি।

ট্রম্পনা নুমিৎ ৯০ নিগী ওইনা তারিফ লেপহন্দুনা থমখিবা লৈবাকশিংগী মনুংদা ইন্দিয়া য়াওখি। অদুবু প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা চাইনাগী মথক্তা থমখিবা চাদা ১০৪ গী তারিফ অদুদি চাইনিজ ওথোরিটিশিংগা শিংনবগা লোয়ননা ঙসি অমুক চাদা ১২৫ তা হেনগৎহনখ্রে হায়রি।

অমরোমদা ইন্দিয়াগী কম্মর্স মিনিষ্টর পিয়ুস গোয়লনা ফোঙদোকখিবদা ট্রম্পনা তারিফশিং মতম খরগী ওইনা লেপহনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা ইন্দিয়ানা ট্রম্পকী রেসিপ্রোকেল তারিফতগী নাম্থোক্নবা থবক থৌরমশিং লৌখৎকনি হায়না ফোঙদোকখি। কম্মর্স মিনিষ্টরগী ৱাফমসি ইন্দিয়া লৈঙাক্তগী তারিফকী মতাংদা ইহান হান্না থমখিবা ৱাফম্নি হায়রি।

ইন্দিয়াদা ভিটামিন দি গী অচৌবা ক্রাইসিস থোক্লি : রিপোর্ট

ন্যু দেল্লি, এপ্রিল ১০ (এজেন্সী): ইন্দিয়ান কাউন্সিল ফোর রিসর্চ ওন ইন্টরনেশনল ইকনোমিক রিলেশন্স (আই সী আর আই ঈ আর) গী রিপোর্ট অমনা লৈবাক অসিদা ভিটামিন দি দিফিসিয়েন্সিগী অচৌবা ক্রাইসিস অমা থোক্লি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

রিপোর্ট অসিনা হায়, ইন্দিয়াদা লৈবা মীওই ৫ গী মনুংদা মীওই অমদি ভিটামিন দি দিফিয়েন্সিসি মায়োক্লবা মীওই ওইরি। চহী ১০ ফাওবগী অঙাং চাদা ৪৬ তি রিকেটস নাবা অঙাং ওইরি। মসিদা নত্তনা লৈবাক অসিগী অহল ওইরবা মীওই চাদা ৮০ দগী ৯০ ফাওবদি ওষ্টিওপোরোসিসনা নাদুনা তুশিনবা মতমদা ইরায় লায়না শরু তেকপা য়াবগী ফীভম লৈবনা হকচাংগী ফীভম তোঙানবা মীওই ওইরকপগী চাং অসুক্কী মতিক ৱাংলি।

ভিটামিন দিফিসিয়েন্সি অসি ইন্দিয়াগী নোংপোক থংবা শরুক্তনা খরা হেন্না থেংনরি। মসিগী মরমদি মফমসিগী মীয়াম্না অর্বান লাইফ ষ্টাইলদা মায় ওনশিল্লকপা অমদি পোলুশন কয়া মায়োক্নদুনা হিংবগা লোয়ননা নুংশাদা থোক্তবনা মরম ওইরগা হকচাংদা ভিটামিন দি শুংবগী চাং হন্থরকপদগীনি হায়রি।

হকশেলগী মরমদা খঙ-হৈরবশিংনা মমাংদগী হৌনা ভিটামিন দি অসি ঐখোয়গী শরু মশা-মউফনা থম্বদা মথৌ তাই হায়না ফোঙদোক্তুনা লাকপনি। ভিটামিন দি ৱাংলবদি শোনবা, মশল মপাঙ্গল য়াওদবা, কার্দিওভাস্কুলর দিজিজ, টাইপ টু দাইবেটিস অমদি কেন্সরনচিংবা লায়না নারকপা য়াবগী খুদোংচাবা হেনগৎহল্লি হায়রি।

আই সী আর আই ঈ আর না ভিটামিন দি দিফিসিয়েন্সি থেংনননবগীদমক লৈঙাক্তা ভিটামিন দি সপ্লিমেন্টশিংদা লৌবা জি এস টি হন্থনবা, টেষ্টিং কিট অমদি সপ্লিমেন্টশিংদা লৌবা ইমপোর্ট দিয়ুটি ককথৎনবা অমদি দোমেষ্টিক রিছর্স অমসুং মমল হোংবা টেষ্টিং সোলুশন পুথোক্লবা থবক থৌরমশিং লৌখৎপীয়ু হায়না আপিল তৌখি।

লুমদিং দিভিজনদা স্লিপর রিন্যুৱেলগী থবকশিং

ঈ-টেন্দর নোটিশ নম্বর: **SCL/Engg/36/2025** তারিক : ০৮-০৪-২০২৫। মখাদা সাইন তৌরিবা অসিনা পীরিবা থবক অসিগীদমক ই-টেন্দর কৌজরি: **আইটেমগী তেন্তকপা মওং মতৌ:** এ দি ঈ এন/করিমগঞ্জ জে এন. গী জুরিসদিক্সনদা লৈবা পোইন্ট অমদি ক্রোসিংশিং (সেট ২২ লৈবদা ১২ দা ১ অমসুং সেট ২ লৈবদা ৮½ দা ১) গী স্লিপর রিন্যুৱেলগী থবকশিং। **টেন্দর ভেল্যু:** লুপা ৩,২৪,৮২,২২৩.২৬/-; **আর্নেষ্ট মনি:** লুপা ৩,১২,৪০০/-; মথক্কী টেন্দর অসি **লৌশিনবগী** অরোইবা তারিক অমসুং মতমনা **০৫-০৫-২০২৫** গী নুংথিল **পুং ৩** নি অদুগা হাংদোকপনা **০৬-০৫-২০২৫** কী নুংথিল **পুং ৩** নি। মথক্কী ই-টেন্দর অসিগী টেন্দর দোক্যুমেন্টগা লোয়ননা মপুং ফাবা ইনফোর্মেসন **০৫-০৫-২০২৫** কী নুংথিল **পুং ৩** ফাওবা ৱেবসাইট www.ireps.gov.in দা ফংগনি।

দি আর এম (দব্লিউ), লুমদিং
নোর্থইষ্ট ফ্রন্টিয়র রেলৱে
মোমোন মিনোক্না লোয়ননা কষ্টমরশিংবু থৌগল তৌরিবা
HL-B/9458/11

গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া
মিনিষ্ট্রি ওফ রেলৱেজ
রেলৱে রিক্রুইটমেন্ট বোর্দস (আর আর বি এস)
এসিস্টেন্ট লোকো পাইলোট (এ এল পি) গী রিক্রুইটমেন্ট ০১/২০২৫
ইনদিকেটিভ নোটিশ

মখাগী টেবলদা পীরিবা এসিস্টেন্ট লোকো পাইলোটকী পোষ্টশিং অসিগীদমক ইলিজিবল ওইবা কেন্দিদেটশিংদগী এপ্লিকেশন কৌরি। এপ্লিকেশনশিং অসি **ওনলাইন মোদ খক্তদা** পীশিল্লক্কদবনি।

ওপ্লিকেশন ওপনিং দেট : ১২-এপ্রিল-২০২৫
এপ্লিকেশন পীশিনবগী অরোইবা নুমিৎ : ১১-মে-২০২৫ (নুমিদাংগী পুং ১১.৫৯)

পোষ্ট মমিং	৭শুবা সী পি সীগী পে লেভেল	হৌগৎলকপগী পে (লুপা)	এদ্যুকেশনেল অমদি মেদিকেল ষ্টেন্দার্দ	০১.০৭.২০২৫ ফাওবদা শুবা চহী	অপুনবা ভেকেন্সি (ওল আর আর বি এস)
এসিস্টেন্ট লোকো পাইলোট (এ এল পি)	২	১৯,৯০০/-	অকুপ্পা মরোল পীরবা সী ঈ এনগী এনেক্সচর-এ	চহী ১৮দগী ৩০ ফাওবা	৯৯৭০

নন-আধার ভেরিফাইদ এপ্লিকেশনশিংগী রিক্রুটমেন্ট প্রোসেসকী ষ্টেজ খুদিংমক্তা স্পেসল দিটেল্ড স্ক্রুটিনিনা থীস্থহনবা অমদি খুদোংচাদবা মায়োক্নদনবগীদমক ওনলাইন এপ্লিকেশন মেনবা মতমদা কেন্দিদেটশিংনা আধার শিজিন্নদুনা মখোয়গী প্রাইমারি দিটেলশিং ভেরিফাইদ তৌগদবনি। আধার শিজিন্নদুনা ভেরিফিকেশন মায় পাক্না তৌনবগীদমক, আধারদা য়াওরিবা মিং অমদি দেট ওফ বার্থ অদু ক্লাস টেন পাস তৌবগী সার্টিফিকেটতা য়াওরিবা মপুং ফাবা মিং অমদি দেট ওফ বার্থকা চাদা ১০০ মান্নবা অপদেট তৌগদবনি। মসিগা মান্নবা মওংদা, আধারশিং অদু এপ্লিকেশন মেনদ্রিঙৈগী মাঙওইননা খ্বাইদগী নৌবা ফোটো অমদি বাইওমেট্রিক্স (ফিঙ্গরপ্রিন্ট অমদি আইরিস) গা লোয়ননা অপদেট তৌগদবনি।

নোটিফিকেশন অসি ইন্দিকেটিভ ওইবা মওংদা থাদোকপনি। মপুং ফাবা ৱারোলগীদমক, এপ্লিকান্টশিংনা ওন লাইন এপ্লিকেশন মেনশিন্দ্রিঙৈদা সী ঈ এন নম্বর ০১/২০২৫ (এ এল পি) বু নিংথিনা য়েংগদবনি। রিক্রুটমেন্ট অসিগী কোরিজেন্দম/এদ্দেনদম/মরুওইবা নোটিশকা মরী লৈনবশিং মতম মতমগী মতুং ইন্না মখাদা পীরিবা আর আর বি এস কী ৱেবসাইটশিং অসিদা থাদোক্কনি:

সী ঈ এন নং. ০১/২০২৫ দা য়াওরিবা আর আর বি এসকী ৱেবসাইটশিং

অহমেদবাদ www.rrbahmedabad.gov.in	অজমর www.rrbajmer.gov.in	ভোপাল www.rrbbhopal.gov.in	ভুবনেশ্বর www.rrbbbs.gov.in
বিলাসপুর www.rrbbilaspur.gov.in	চান্দিগর www.rrbcdg.gov.in	চেন্নাই www.rrbchennai.gov.in	গুৱাহাটি www.rrbguwahati.gov.in
জম্মু-শ্রিনগর www.rrbjammu.nic.in	কোলকাটা www.rrbkolkata.gov.in	মাল্ডা www.rrbmalda.gov.in	মুম্বাই www.rrbmumbai.gov.in
মুজাফ্ফরপুর www.rrbmuzaffarpur.gov.in	পাটনা www.rrbpatna.gov.in	প্রয়াগরাজ www.rrbald.gov.in	রাঞ্চি www.rrbranchi.gov.in
সিকন্দরবাদ www.rrbsecunderbad.gov.in	সিলিগুরি www.rrbsilliguri.gov.in	থিরুবনন্থপুরম www.rrbthiruvananthapuram.gov.in	গোরাখপুর www.rrbgkp.gov.in

নং. RRB/SC/Rectt./CEN 01/2025 (ALP)
তাং : ১১.০৪.২০২৫

চ্যেরপর্সন
রেলৱে রিক্রুইটমেন্ট বোর্দস

HL-B/9461/11

“শাশিন্নবা, খদ্রক তৌবা অমদি জোব রেক্কেটরশিংদগী চেকশিনবীয়ু”

দশা য়েংজরি / ꯗꯁꯥ ꯌꯦꯡꯖꯔꯤ

মপোক্কী ওইবা দশা য়েংথোকপীয়ু। পক্নবা শিনফম, সরকারগী থবক, করবার, শেল-থুম শেন্দোন শিংবা, য়ুম-ইস্খোল, গাড়ী, পক্নবা লক্কিষ্টৌন, য়ুম্বাল ইচা-ইশু, অঙাং য়াওদবা, মহৈ-মশিং, অৱাংবা পরিক্ষা, নিশাদা লাইচুবা, হকচাংগী অয়েৎপা, পোৎশেম যাদু অসিনচিংবা কুঠী অমদি খুবাক ময়িদগী কুপ্থনা য়েংজরি। দশা ঙাক্নবা মরমশিং, ঈরাৎ-থৌনি, উশিন, খায়োম তৌবশু য়াগনি। ওনলাইন য়েংবসু য়াই। ঙসিমক তান্নবীয়ু।

Contact : **JM Dr Ph Rajendra**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, Manipur
Mobile No. 9077188456

HL-P/9356/24 to 30 Feb.

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, KAKCHING

Ref :- Mutation Case No. 335/SDC/K **Dt. 10/04/2025**

Moirangthem Bikram Singh, S/o (Late) Moirangthem Manao Singh of Kakching Wairi Thongam Leikai Lourungbam Pareng ... Petitioner

- Vrs -

(Late) Moirangthem Manao Singh, S/o Moirangthem Gourahari Singh of Kakching Wairi. ... O.P. Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Dated/Kakching, the 10th April, 2025

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি, ককচিং তহশিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং: ৬২-ককচিং ৱাইরি পাট্টা নং ৯৮ (অরিবা) ৭৫০ SC. No. ৩৭৫৮ (অনৌবা) দার্গ নং ৩১২৭ গী এরিয়া ০.০৭ একর চাওবা ইংখোল মফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্তা পল্লিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা নামা পানবীয়ু হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱাকৎ চে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চথ্খজরগনি।

HL-P/1620/11 Sd/- **Sub-Deputy Collector,** Kakching

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, WANGOI, IMPHAL WEST

Ref :- Mutation Case No. 128/SDC/IW/2025

1) Oinam Herojit Meitei, S/o O. Nilamani Singh of Samurou Mayai Leikai
2) Wahengbam Sujata Devi, W/o O. Herojit Meitei of Samurou Mayai Leikai

-VS-

(L) Oinam Nilamani Singh, S/o (L) Mohol Singh of Samurou Mayai Leikai

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Wangoi, Dated 10/04/2025

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 Petitioner গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি মৃত Pattadar Shri (L) Oinam Nilamani Singh গী মীংদা পানবা খুল নম্বর 90-Samurou গী patta No. 1529/1978 (N) গী CS Dag. No. 1886/2204 গী এরিয়া .1225 acres of Ingkhol অসি Petitioners শিংনা মখোয়গী মিংদা নামা ওনশিনবীয়ু হায়না উক্তা Court SDC/Wangoi গী Office তা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং 17/04/2025 কী অয়ুক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা অইবা চেনা নৎত্রগা ইশানা Court তা লাক্তুনা Objection তৌবীরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই Court কী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চৎথরগনি।

Sd/- **Bench Clerk to Sub-Deputy Collector**
HL-P/1624/11 Wangoi

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, WANGOI, IMPHAL WEST

Ref :- Mutation Case No. 127/SDC/IW/2025

1) Md. Ibotombi, S/o Nurddin of Wangoi Muslim
2) Md. Warish, S/o - do - of - do -
3) Mrs. Waheda, W/o Mujakar of Wangoi Mamang Leikai

-VS-

(Late) Nurddin Miya, S/o (L) Manila Miya of Wangoi

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Wangoi, Dated 10/04/2025

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 Petitioner গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি মৃত Pattadar Shri (L) Nurddin Miya গী মীংদা পানবা খুল নম্বর 87-Wangoi গী patta No. 456 (N) গী CS Dag. No. 534/530 গী এরিয়া .72 acres Ingkhol গী মনুংদগী area .36 acres অসি Petitioners শিংনা মখোয়গী মিংদা নামা ওনশিনবীয়ু হায়না উক্তা Court SDC/Wangoi গী Office তা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং 17/04/2025 কী অয়ুক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা অইবা চেনা নৎত্রগা ইশানা Court তা লাক্তুনা Objection তৌবীরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই Court কী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চৎথরগনি।

Sd/- **Bench Clerk to Sub-Deputy Collector**
HL-P/1624/11 Wangoi

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, WANGOI, IMPHAL WEST

Ref :- Mutation Case No. 129/SDC/IW/2025

Md. Abdul Majid, S/o (L) Abdulhei Miya of Lilong Haoreibi Makha Leikai

-VS-

(Late) Md. Abdulhei Miya, S/o (L) Aramtula Miya of Haoreibi Makha Leikai

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Wangoi, Dated 10/04/2025

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 Petitioner গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি মৃত Pattadar Shri (L) Md. Abdulhei Miya গী মীংদা পানবা খুল নম্বর 90-Samurou গী patta No. 107 গী CS Dag. No. 290/369 গী এরিয়া .60 acres গী Phourel লৌফম অসি Petitioner না মশাগী মিংদা নামা ওনশিনবীয়ু হায়না উক্তা Court SDC/Wangoi গী Office তা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং 17/04/2025 কী অয়ুক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা অইবা চেনা নৎত্রগা ইশানা Court তা লাক্তুনা Objection তৌবীরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই Court কী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চৎথরগনি।

Sd/- **Bench Clerk to Sub-Deputy Collector**
HL-P/1624/11 Wangoi

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, WANGOI, IMPHAL WEST

Ref :- Mutation Case No. 124/SDC/IW/2025

Khangjrakpam Binoi Singh, S/o (L) Khomei Singh of Iram Siphai

-VS-

(Late) Khangjrakpam Khomei Singh, S/o (L) Ibomcha Singh of Iram Siphai

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Wangoi, Dated 10/04/2025

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 Petitioner গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি মৃত Pattadar Shri (L) Khangjrakpam Khomei Singh গী মীংদা পানবা খুল নম্বর 82-Bitra গী patta No. 376/498 (N) গী CS Dag. No. 491/589 গী এরিয়া .56 acres গী Phourel লৌফম অসি Petitioner না মশাগী মিংদা নামা ওনশিনবীয়ু হায়না উক্তা Court SDC/Wangoi গী Office তা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং 17/04/2025 কী অয়ুক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা অইবা চেনা নৎত্রগা ইশানা Court তা লাক্তুনা Objection তৌবীরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই Court কী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চৎথরগনি।

Sd/- **Bench Clerk to Sub-Deputy Collector**
HL-P/1624/11 Wangoi

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, WANGOI, IMPHAL WEST

Ref :- Mutation Case No. 130/SDC/IW/2025

Longjam Nabakeshwor Singh, S/o (L) Longjam Nipamacha Singh of Yumnam Huidrom

-VS-

(Late) Longjam Nipamacha Singh, S/o (L) Yaima Singh of Yumnam Huidrom Makha Leikai

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE

Wangoi, Dated 10/04/2025

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 Petitioner গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি মৃত Pattadar Shri (L) Longjam Nipamacha Singh গী মীংদা পানবা খুল নম্বর 84-Laku Huidrom গী patta No. 340 (N) গী CS Dag. No. 1229 গী এরিয়া 0.74 acres গী Phourel লৌফম অসি Petitioner না মশাগী মিংদা নামা ওনশিনবীয়ু হায়না উক্তা Court SDC/Wangoi গী Office তা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং 17/04/2025 কী অয়ুক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা অইবা চেনা নৎত্রগা ইশানা Court তা লাক্তুনা Objection তৌবীরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই Court কী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চৎথরগনি।

Sd/- **Bench Clerk to Sub-Deputy Collector**
HL-P/1624/11 Wangoi

ꯑꯦꯝ ꯑꯦꯁ ꯕ꯭ꯔꯤꯛ ꯐꯤꯜꯗ
MS BRICK FIELD
TAOBUNGKHOK
P.S.PATSOI, P.O. LANGJING

1. Ist class.	15.00
2. 2nd class.	14.00
3. Reject. I.	13.00
4. Reject. II.	11.50
5. Peti. I.	12.00
6. Peti. II.	10.00
7. Jammat.	10.00
8. 3rd class.	6.00

Contact no.6909236749
Block Machine
HL-B/9441/4 Apr. to 5 May